# পিগ্লেট এনিমিয়া - ওক্লাওদা আইরন ৱাৎপা

**সরাংথেম জেসমারানি**



পিগ্লেট এনিমিয়া হায়রিবা লায়নাসি চহী নৌরিবা ওক্লাওশিংদা আইরন ৱাৎপগী লায়না মখল অমনি। লায়নাসি মপান থোকহন্দনা মনুংদা কোয়শিন্দুনা কংক্রিট নৎত্রগা উপাক্লা লৈমায় ওইদুনা য়োকপা ওক্লাওশিংদনা হেন্না লায়নাসি থোকহল্লি। অসিদসু নত্তনা মশীং য়াম্বা চাগোক্কী ওক্লাওশিংদসু হায়রিবা লায়নাসি থোকহল্লি।

পোকপদা ঙাইরিবা ওক্লাওনা মশাদা আইরন য়াওজরকপদা নুমিৎ ৩-৭নি ফাওবা চঙলি। মরম অসিনা ঐখোয়না অতোপ্পা আইরনগী সপ্লিমেন্ট পীবা য়াম্না মরু ওই। করিগুম্বা পীহৌদ্রগদি শিবা ফাওবা য়াওই। ওক্লাওশিংনা মপিদগী থক্লিবা মখোমসি আইরন য়াওদবনিনা ওক্লাওনা চাবা হৈত্রি ফাওবা অতোপ্পা সোর্সতগী আইরন পীবসি তঙাইফদে।

**পিগ্লেট এনিমিয়াগী হৌরকফম :**

- ওক্লাওশিংগী মশাদা আইরনগী ষ্টোরেজ য়াম্না লৈতবা।
- ওক মপিগী কোলোষ্ট্রম অমদি শঙ্গোমদা আইরন কন্টেন্ট য়াম্না য়াওদবা।
- মকোন মনুংদা ওক্লাওশিং লৈবা মরম্না নেচরেল সোর্সতগী আইরন লৌবা ফংদবা।
- ওক্লাওশিং য়াম্না থুনা চাউগনবগী মরম্না আইরনগী দিমান্দ হেল্লকপা।

পোকপদা ঙাইরিবা ওক্লাওগী ঈ মিলিলিটর ২০০দা হিমোগ্লোবিন গ্রাম ১২-১৩ ফাওবা য়াওরকই। হিমোগ্লোবিনগী চাংসি নোংম-নোংমগী হন্থরকপদগী ওক্লাও অয়াম্বদা নুমিৎ ২০-২৪শুবা ফাওবদা গ্রাম ৬-৭ ফাওবা য়ৌরকই। করিগুম্বা মতমদা হাপ্তা ৩ শুরকপা মতমদা গ্রাম ২ ফাওবা য়ৌরকপা য়াওই। চাং অসিদদি ওক্লাওদু এনিমিয়াগী লায়ওং উৎপা হৌরকই। অমরোমদনা পোকপদা য়াওরকপা ওক্লাওগী ফিরাক্তা তুংশিন্দুনা লৈবা আইরনগী চাং য়াম্না নেম্মী। মপীনা গর্ভ পুরিঙৈদা আইরন মতিক চানা পীরগসু চাংসি কয়া হেনগৎহনবা ঙমদে। আইরনগী অৱাৎপা লৈত্রবা মপি অমদা ওক্লাও অমনা মখোম থকপদা নোংমদা আইরন গ্রাম ১খক্তং ফংবা ঙমই। চাজেনবী মপীদুদা আইরন হেঞ্জিন্না পীরগসু ওক্লাও অমনা মিলিগ্রাম ১দগী হেন্না ফংবা ঙমদে। মশা মউ ফনা লৈনবগীদমক্তা ওক্লাও অমনা নোংমদা আইরন মিলিগ্রাম ১৫ দরকার ওই। মরম অসিনা আইরনগী দরকার ওইরিবসি লৈবাক, মনা-মশিং অমদি ক্রিপ ফিদতা ফংবগী খুদোংচাবা লৈত্রগদি ওক্লাও অদুদা আইরন ৱাৎপগী লায়না লাকই। অমনা ওক্লাওশিংগী মচিঞ্জাক্তা কেলসিয়ম কার্বোনেট অমদি মেঙ্গানিজ হেঞ্জিন্না হাপ্লগসু আইরন ৱাৎপগী লায়ওং উৎলকই।

**লায়নাগী লাইওং :** - ঈ ৱাৎলগদি ওক্লাওগী কুচুসি তাইফেৎ তারকই। মতুসু জবৌ-জবৌ লাউরকই, উনশাসু খুইজিল্লকই।

- ওক্লাওশিংদু চানীং থক্লিংদবা উৎলকই, ওক্লাওগী অরূম্বা হন্থরকই, মকোক চুম্না লৈবা ঙমদে। থিবেৎ ফাইরকই।
- উনশাগী মচুসু তাইফেৎ তারকই, মনা মবুক্লচিংবসু নাপু মচু কারকই।
- খরা হেঞ্জিল্লগদি মঙক, লেংবান অমদি মখোঙগী শরুক্তা পোমখৎলক্তুনা নোয়খৎপা মাল্লকই। শ্বর হোৎনবা ৱারকই, হার্ট অমদি রেস্পিরেটরি রেট হেঙ্গৎলকই। করিগুম্বা মতমদা শ্বর হোনবা ৱারক্তুনা শিবা ফাওবা য়াওরকই।
- গর্ভ পুরবী ওকশিংনা আইরন য়াম্না শাথীনা ৱাৎপদগী মচা শিনা পোকপসু য়াওই।


**লায়না অসিদগী কমদৌনা কনগনি :** লায়না অসিদগী কন্নবগীদমক পোকপদগী নুমিৎ ৪নিদগী ৭নি ফাওবগী ওক্লাওদা মিলিগ্রাম ১০০ য়াওবা, আইরন দেক্সত্রান (ইনফেরোন) মিলিলিটর ১ অদুগা নুমিৎ ২৪নি-৩০নিদা মিলিলিটর ২ শাদোংদা কাপ্পীগনি। নোংমদা ফেরস সলফেট চাদা ২.৮ সোল্যুসন মিলিলিটর ৪ ওক্লাও অমদা নুমিৎ খরনি নৎত্রগা নোংমদা আইরন পাইরোফোস্ফেট মিলিগ্রাম ৩০০ নুমিৎ ৭নি পীথক্লবসু এনিমিয়াদগী কনবা ঙমই।

**এনিমিয়াদগী ঙাকথোক্লবা মরু ওইবা পাম্বে :**- গর্ভ পুরবী ওক্তা গর্ভগী নুমিৎ ৯৩, ১০০ অমসুং ১০৭নি শুবদা আইরন দেক্সত্রান মিলিলিটর ২ মথংশিৎনা অহুম্লক শাদোংদা কাপ্পীগনি।

- মপিদুনা পোক্লকপা ওক্লাওশিংদা নুমিৎ ৪নি অমদি ১৪নি শুবদা আইরন দেক্সটান মিলিলিটর ১ শাদোংদা কাপ্পীগনি।
- চাজেনবী ওকপীগী মখোমদা ফেরস সলফেট গ্রাম ৪৫৩.৫৯, ঈশিং লিটর ২গা য়ান্নরগা শেম্বা সোল্যুসন মচাশিংনা মখোম থকপদা য়াওখিনবা নোংমদা ২/৩ লক তৈবীগনি।
- মসি নৎত্রগা লৈবাক অফবা কেজি ২, ফেরস সলফেট ৪৫৩.৫৯, কোপ্পর সলফেট গ্রাম ৭০.৮৮ পূন্না য়াল্লগা মকোন মনুংদা চাইশিন্দুনা থম্বীগদবনি। ওকশিংনা চাবদগী আইরন মতিক চানা ফংদুনা এনিমিয়া লাক্কদবদগী কনবা ঙম্মী।
- শজিক মরাং কায়না হৌবা লম্পাক্তা অফবা মফম য়েংলগা থাদোক্লগদি ওক্লাওশিংনা শজিক অমসুং লৈবাক্তগী আইরন মতিক চানা ফংদুনা এনিমিয়া থোকহনবা ঙমদে। ●

# বাইওটেক্নোলোজিগী মতেংনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা

**ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ**







লৌউ-শিংউবা অমদি শা-ষণ য়োকপগীদমক্তদি অফবা অমদি চাথোক লৈবা মখলশিং পুথোকপদা জেনেটিক্সনা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। অদুবু ঙা য়োকপদদি জেনেটিক্সকী মতেং অসি খরা থেংনা শীজিন্নরকই অদুম ওইনমক মায় পাক্লা চঙশিল্লক্লি। অফবা ঙা মখল পুথোকপদা শীজিন্নখ্রবা মখলশিং অদুদি এটলান্টিক সলমোন, রেনবো ত্রাউট, চেনেল কেটফিস, নাইল তিলাপিয়া, কমন কার্প অমদি রোহুনি। অফবা মখলগী ঙা পুথোক্লবা থৌওং কয়া লৈ। অদুবু মরু ওইবা খরদি (১) ইন্ত্রা স্পেসিফিক হায়ব্রিদাইজেসন হায়বদি রেস নৎত্রগা অসত্রেন খেন্নবা ঙাশিং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লৌরগা অফবা মচা পুথোকপা অদুবুনি। তোঙান তোঙানবা ঙা মচা পুথোকফমশিংদগী লৌরগসু অফবা মখলগী ঙা মচা পুথোকপা য়াই। হায়রিবা থৌওং অসি শীজিন্নদুনা খ্বাইদগী হেন্না মায় পাকখিবসি য়ু এস এস আরগী অমুর তুরেলদগী ফাবা কম্মন কার্প অমদি ময়াম্না য়োক্লরিবা কম্মন কার্প অনীসি চারৌ-মৌরৌনদুনা অঙ্গীংবা মফমদা হৈনবা ঙা মখল কুস্ক কার্প পুথোকখিবা অসিনি।

(২) ইন্টর স্পেসিফিক হায়ব্রিদাইজেসন হায়বদি স্পেসিস মান্নদবা ঙা মখল অনীগী মরক্তা চারৌ-মৌরৌনদুনা মচা পুথোকপা অদুবুনি। লেবিও রোহিতা হায়বদি রৌ অসিগা লেবিও কালবাসু হায়বদি ঙাথি হায়না খঙনবা অসিগা চারৌ-মৌরৌনরগা য়াম্না কান্নবা ঙা মখল অমা পুথোকই হায়বদি খরা থুনা চাউগনবা অমদি মচু ঙাংলি ঙাংলি তৌবা ময়াম্না পাম্নবা ঙা মখল অমা ওইহল্লি। তৌইগুম্বসুং লেবিওগী অতোপ্পা ঙাশিং হায়বদি লেবিও রোহিতা অমসুং লেবিও বাতাগা, লেবিও রোহিতা অমসুং লেবিও গোনিয়সকা, লেবিও কালবাসু অমসুং লেবিও বাটাগা চারৌ-মৌরৌনদুনা পুথোরকপা ঙাশিংদি ঙা য়োকপগীদমক্তা কান্নবা মগুন অমত্তা য়াওদে।

(৩) ইন্টর জেনেরিক হায়ব্রিদাইজেসন হায়বদি জেনস খেন্নবা ঙা মখল অনী চারৌ-মৌরৌনদুনা মচা পুথোকপা অদুবুনি। লেবিও রোহিতা হায়বদি রৌ অমোম অমদি কাটলা কাটলা বাও হায়রগা খঙনবা অসিগী লাবা, বাওগী লাবা অমসুং ম্রিগলগী অমোম, বাওগী লাবা অমসুং লেবিও ফিমব্রিএটস অমোম মখলশিং অসি চারৌ-মৌরৌনদুনা পুথোকপা ঙা মখলশিং অদুদি য়াম্না থুনা চাওগল্লি অমদি মখল কয়াগী মচিঞ্জাক চাবা ঙম্মী। মরম অদুনা ঙা য়োকপগীদমক্তদি য়াম্না কান্নবা ঙা ওই। কমন কার্পকা রৌ, কটলা নৎত্রগা ম্রিগলগা চারৌ-মৌরৌনরবদি ষ্টেরাইল ওইগল্লি হায়বদি মথংগী চারোল-শুরোল পুথোকপা ঙমগন্দে।

(৪) সেলেক্টিব ব্রিদিং হায়বদি খ্বাইদগী হেন্না মশা-মউ ফবা ঙাশিং খল্লগা চারোন-শুরোন কয়া চঙনা অফবা মচা পুথোকপা অদুবুনি। অফবা মখলগী জিনশিং অদু চারোল অমদগী মথংগী চারোল অমদা মথং-মথং পুরক্তুনা য়াম্না ফবা ঙা মখল পুথোরকই। হায়রিবা থৌওং অসি শীজিন্নদুনা পুথোরকপা জয়েন্তি রোহু হায়না খঙনবা রৌ অসি থা নিপালদা কিলোগ্রাম অমগা গ্রাম চামরিদগী কিলোগ্রাম অমগা গ্রাম চামঙা ফাওবা চাউবা ঙম্মী। তৌইগুম্বসুং হান্নদগী য়োক্ল রক্লিবা রৌ অসিদি চহী অমদা কিলোগ্রাম অমদগী কিলোগ্রাম অমগা গ্রাম চনি ফাওবখক্তমক চাউবা ঙম্মী। গিফ্ট হায়রগা খঙনবা তুংহনবী মখল অসিসু য়াম্না থুনা চাওগল্লি।

(৫) ঙা অমোম ঙাক্তা নৎত্রগা লাবা ঙাক্তা পুথোকপা হায়বসি করিগুম্বা ঙা খরগীদমক্তদি য়াম্না কান্নবা থৌওংনি। রৌ, কটলা নৎত্রগা রাহুগুম্বা ঙাগীদমক্তদি অমোম ঙাক্তগী ওইবা ঙা পুথোকপনা হেন্না ফৈ। মরমদি অমোম্না খরা হেন্না অমদি থুনা চাওগল্লি। তুংহনবীগুম্বা ঙাগীনা লাবা ঙাক্তগী ওইবা ঙা পুথোকপনা হেন্না ফৈ। মরমদি লাবনা হেন্না চাওগল্লি। তুংহনবী অমদি পুকলাওবীগুম্বা মচা য়াম্না পোক্কনবা ঙাগীদমক্তদি ষ্টেরাইল হায়বদি মচা পোকলোইদৌবা ঙা মখল পুথোকপনা হেন্না ফৈ। মসিগীদমক্তদি ত্রিপ্লোইদ পুথোকপা দরকার ওই। মরমদি মশা চাওখৎপদা শীজিন্নগদবা পাঙ্গল-শক্তিশিং অদু মচা পুথোকপদা শীজিন্নখিবা মরম্না চাওজন থিগনি। হোর্মোন পীজদুনা লাবা ঙাক্তা নৎত্রগা অমোম ঙাক্তা পুথোকপসু য়াই। হায়বদি এনদ্রোজেন পীজদুনা লাবা ঙাক্তা পুথোকপা অমদি এসত্রোজেন পীজদুনা অমোম ঙাক্তা পুথোকপা য়াই। অদুবু পীজবগী মতমদি ঙানা পিক্লিঙৈ মতম হায়বদি স্পাওন ওইরিঙৈ নৎত্রগা ফ্রাই ওইরিঙৈ মতমদা ওইগদবনি।

মণিপুরগী ঙা মচা পুথোক্লিবা মফম খরদা ঙাগী হায়ব্রিদ মচা পুথোকপা য়াম্না শেন্দোং লৈবা অমা ওইনা খন্নরক্লি অমদি ঙা মচা লৈবীরিবা ঙামীশিংনসু হায়ব্রিদপু ওইরবদি য়াম্না পাম্নরক্লি। তৌইগুম্বসুং ঙাগী হায়ব্রিদ মচা পুথোক্লিবা মীওইশিংনা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌওংশিং অমদি ঙা মখলশিং অসি মুন্না খনবীরগা পুথোকপীরবদি লৈবাক্কী ওইনা ঙাথোক হেনগৎহন্দুনা অচৌবা কান্নবা পীগনি। করিগুম্বা কান্নদবা হায়ব্রিদশিং পুথোক্লবদি অচৌবা অমাঙবা ওইগনি। মরমশিং অসি লৈবনা ময়াম পূম্নমক মুন্না খন্থমিন্নদুনা লৈবাক্কী ওইনা ঙাথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ●

# মতম চানা লৌ লোকপা অমসুং মসিগী তঙাইফদবা

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

ফৌ হায়বসি মালেমগী অপূনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমা অদুগা মণিপুরগুম্বা লমদমগী অপূনবা মীশিংগী মরু ওইবা চিঞ্জাক ওইদুনা তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পাম্বী মখল অমনি। নোংজু লৌরোক মতমগী মণিপুরগী অপূনবা লৌ-শিংউ তৌরিবা লমগী চাদা ৮০দি ফৌ থারি। লৌমীশিংনা থা ৩.৫দগী ৪.৫ চঙনা হোৎনরিবা অসি ঐখোয়গী মরু ওইবা চিঞ্জাক অসি মগুন লৈনা অমদি য়াম্না লোক্লবনি। ফৌ অসি মগুন লৈনা অমদি য়াম্না লোক্লবগীদমক মতম চানা লোকপা হায়বসিসু তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমনি। ফৌ পাম্বীনা মপূং ফানা মুনদ্রিঙৈদা লোকপনা মরূ চঙদবা ফৌ কয়া য়াওদুনা চাথোক হন্থহল্লি। অদুগা অমুক ফৌ পাম্বীনা হেন্না মুনশিনখ্রবা মতুংদা লোকপনা মরূ হেন্না চঙবা ফৌ চরোংগী মতোন্দা পানবা ফৌ অয়াম্বা কেনখিদুনা ফৌগী চাথোক হন্থহল্লি। য়াম্না ঙন্না নৎত্রগা য়াম্না থেংনা ফৌ লোকপনা চেঙ তেকহন্দুনা চেঙথোক হন্থহল্লি। অমরোমদা অমুক ফৌ মতম চানা লোক্তবনা ফৌনা মতোন চোংবদা অপনবা পী।

**ফৌ লোকপা য়ারে করম্না খঙগনি :** ফৌ লোকপা য়ারে হায়বসি খঙনবা তোঙান তোঙানবা পাম্বে কয়া অমা শীজিন্নবা য়াই। শীজিন্নবা য়াবা পাম্বেশিং অদু মখাদা পীজরি।

**(অ) ফৌদা য়াওবা ঈনিলগী চাং :** লোকপা য়ারবা ফৌ অমদা য়াওফম থোকপা চপ চাবা ঈনিলগী চাংসি ২০-২৫%নি। হায়বদি লোকপা য়াবা ফৌ গ্রাম ১০০ লৌবিরগা ঈনিল অমা ফাওবা য়াওহন্দনা কংহনবীরবা মতুংদা অমুক ওনবদা গ্রাম ৮০-৯৫ ফাওবা ফংলবদি মদু ঈনিলগী চাং ২০-২৫% য়াওই হায়না লৌবা য়াই। লোকপা য়াওরবা ফৌ অদু মপূং ফানা কন-কন লাউগদবনি। অদুবু য়ানা চিকপদা পেদ্রেক পেদ্রেক্তি তেকলোইদবনি।

**(আ) ফৌ অদুগী মচু য়েংলগা :** ফৌ চরোং অমগী মনুংদা পাল্লিবা ফৌ মরূশিং অসি চরোংগী মতোনলোমদগী হৌরগা হঙ্গাম মপাল মচু ওইরক্তুনা চরোং অদুগী মখোক ফাওবদা পাল্লিবা মরূশিং ফাওবা হঙ্গাম মপাল মচু ওইরকই। মসিবু ঐখোয়না ফৌ মুনবা হায়না খঙনৈ। অসুম্না মুনশিল্লক্লবা ফৌশিং অসিগী চরোং অমদা পাল্লিবা ফৌ মরূ অপূনবগী চাদা ৮০-৮৫না হঙ্গাম মপাল মচু ওইবগা লোয়ননা চরোংগী মখোক থংবদা পাল্লিবা অশংবা মচু ওইরিবা ফৌ মরূশিং অদু খূৎনা মেৎতুনা য়েংবদা কন-কন লাউরবদি ফৌ অদু খাওবা য়ারে। খুদম ওইনা ফৌ চরোংশিং অদু ফৌ মরূ ২০০-২৫০ পানবা মতমদা ফৌ মরূ ১৬০-২০০না হঙ্গাম মপাল মচু ওইরবা অদুগা লেমহৌরিবা অশংবা মচু ওইরিবা ফৌ মরূশিং অদুসু কন কন লাউদুনা মেৎপদা মহী থোক্তবা ওইগদবনি।

**(ই) নুমিৎ মশীং পাবিবা :** ঐখোয়গী লৌফমদা লৈরিবা ফৌ পাম্বীশিং অসি মরূ তাখিবদগী পাবা হৌরগা লোকপা য়াগদবা মতম ফাওবা পাবীবা য়াই। মতম য়াম্না শাংবা ফৌ মখলশিংগীদনা ফৌনা হুনখিবদগী নুমিৎ ১৩০-১৩৫নি, ময়ায় ওইনা শাংবা ফৌ মখলশিংগীনা নুমিৎ ১১৩-১২৫নি অদুগা অতেনবা মতমগী ফৌ মখলশিংগীনা নুমিৎ ১১০নিশুবা মতমদা ফৌ অসি লোকপা য়ারে হায়না পাবা য়ারে।

**(ঈ) ফৌনা শাৎপদগী পারগা :** ফৌ পাম্বী অমনা মপাল শারকপা হায়বসি ফৌ অদু মরূ পাল্লক্কদৌরে, মহৈ চারনি হায়বগী খুদমনি। অসুম্না মপাল শাবা লোইবদগী পারগা ফৌ পাম্বী অমবু লোকপা য়ারনি/য়ারোই হায়বসি লেপ্পা য়াই। ফৌনা মপাল শাবা লোইবদগী পারগা নোং-চিং তাদবা মতমদদি নুমিৎ ২৮-৩৫নিশুবা মতমদা ফৌ অসি লোকপা য়ারে। অদুগা করিগুম্বা নোং চিং থিৎলি-থিৎলি চুবা মতম ওইরবদি নুমিৎ ৩২-৩৮নিশুবা নুমিত্তা লৌ লোকপা য়ারে।

**লৌ লোক্লমদাইদা নীংশিংবীগদবা :** ফৌ লোকপা মতমদা লৌফম অদু চোৎ চোৎ লাওবা হায়বসি থবক শুবদা নুংঙাইতবতা নত্তনা খাওরবা ফৌ চরোংশিং অদুগী মতোন থংবা শরুক অদু লৈমায়দা থেংদুনা মরূশিং অদু ঈনিলগী চাং ৱাংহল্লি। মরম অদুনা ফৌ খাওগদবা নুমিৎ ১০-১৫নিগী মমাঙ হায়বদি ফৌ শাৎলবা মতুং নুমিৎ ১৫-২০নি শুবদদি শুংশোয় শোয়দনা ঈশিং চিথোকপীগদবনি। ঐখোয়না নীংশিংবীগদবা অমনা খাওরবা ফৌশিং অদু নোং অমুক চোৎখিদুনা চেঙ তেকপনচিংবা থোক্তনবা খাওরবা মতুং নুমিৎ ৩-৪নিগী মনুংদা নোং লাক্লোই হায়বা খঙবীরবা মতুংদা খাওবীগদবনি।

মতৌ অসুম তৌনা ফৌ অসি মতম চানা লোকপীদুনা অরেম্বদা মাঙখিগদবদগী কনবগা লোয়ননা ফৌ মরূশিংগী মগুন মাঙহনগদবদগী কনবা হায়বসি লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা তঙাইফদনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইরে। ●

**MANIPUR DRAMATIC UNION**
(PREMIER ARTS & CULTURAL CENTRE OF MANIPUR)
YAISKUL POLICE LINE, IMPHAL WEST - 795001

**অৱাবা ফোঙদোকচবা**

মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী মতম শাংনা মেম্বর ওইদুনা লৈবিরম্বা শ্রী খুন্দোংবম তোম্বী সিংহ হৌখিবা তাং ৮/১০/২০২০ ইংদা তাইবংপান থাদোকখ্রে। ওজা অসিনা লৈখিদবসিদা এম দি য়ুগী মেম্বরশিংনা তাং ১১/১০/২০২০ ইংদা পাঙথোকপা মীফম (এম দি য়ুগী প্রসিদেন্ট এস কেসোরাম্না মীফম মপূ ওইখিবা) অমদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী শরুক য়াজরি।

*হায়জরিবা :-* ডা. অথোকপম খোলচন্দ্র
পব্লিসিটি সেক্রেটরি, মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন, ইম্ফাল
HL-P/7722/12

**অশোক কুমারবু থাগৎচরি**



ঐগী চহী মঙা (৫) শুরবা অনাবা SCIATICA না মরম ওইরগা য়াম্না ৱানা খাঙলকখি। ঐগী spine দা শোকপা অসিনা খাঙবা ঙমদবা লেং-ওৎপা ঙমদবা, চৎপা ঙমদবা অসিনচিংবনি। ঐনা চৎলগসু চিংলগা চৎপা অসিনা য়াম্না ৱানা খাঙখি। অসুক ৱানা খাঙলুরবা ঐগী অনাবা অসি কোন্থৌজম অশোক কুমারনা মহাক্কী য়ূমগী ক্লিনিক "ASHOK KUMAR HEALTH CARE, PALACE COMPOUND, I/E # 6009827912 দা শুপ্নতগী নুমীৎ ১৫ নি লায়েংবীরগা অনাবা পূম্নমক ফহনবীরে। মসিগীদমক ঐনা পাউচেগী খুত্থাংদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মীয়ামগী সেবা কুইনা শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু।

Sd/- **Yangambam Khogendro**
Koirengei Maning Leikai
HL-P/7717/12

**DOCUMENT LOST**

I have lost my Original Certificate cum Marksheet of HSLC examination, 2016 bearing Roll No. 25475 issued by BOSEM and Class XII (Sc.) examination, 2018 bearing Roll no. 9643 issued by COHSEM on the way between Imphal to Ningthoukhong on 25/09/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Thokchom Dayananda Singh**
Ningthoukhong Bazar, # 7085194641
HL-P/7718/12

**'PAPER গী থোঙদা ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি'**

ঐহাক পাইলসকী অনাবনা খোঙ হান্বা মরক-মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা অমদি শোকপদা নাবা, অমাংথোভদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা চাথৎলগা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না শাবা, পূক খোংবা, খ্বাঙ নাবা অমসুং থবাক ফুনবা অসিনচিংবা অনাবশিং অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে, ফবা লৈখিদে। মমৈথংদা ওজা **Abdul Hak,** Contact No. : 8794429681 অমসুং 8014623756 কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী পাইলস মপূং ফানা ফজরে, হকচাং নুংঙাইজরে। মরম অদুনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

**ওজাগী লায়েংফমদি :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

*থাগৎচরিবা :* **S. Lokendro**
Thoubal Leishangthem
HL-P/7520/12

**ইস্খোল য়োঞ্জরি**

৬৯-ময়েং লমজাও, অরিবা পাট্টা নং. ৩১৬, অনৌবা পাট্টা নং. ২২০/part (A) দাগ নং. ১৫৪৯-part (A), একর ০.২০ চাউবা অসি অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বনা পাম্বীরবদি মখাগী থিকনা অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

Sd/- **শ্রীমাইবম য়াইমা সিংহ**
ময়েং লমজাও মখা লৈকাই
**Contact No. : 8413978912/ 9383227186**
HL-B/6450/12

**NOTICE**

No. 17/KKTN/Khoijuman Khunou Dated 07/10/2020

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Kurukhong Kachin Tomthin Nganba Lourup Joint Farming Co-op. Society Ltd., Khoijuman Khunou গী মেম্বর খুদিংমক্তা খঙহঞ্জরি মদুদি হৌখিবা তাং ১৮/০৬/২০২০গী ইংদা ফমখিবা ৱারেপ্তা তাখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না ঙসি তাং ৭/১০/২০২০ ইংদা শ্রী টি ঐচ চাওবা সিংহ, চেয়রমেনগী য়ূমদা নুংথিল পুং ১.০০ তাবা মতমদা অনীরকশুবা স্পেসল জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোক্লগা তাখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী মহুৎতা অনৌবা মেম্বরশিং হাপচিনবা হায়না য়ানরে। লোয়ননা হাপচিল্লবা অনৌবা মেম্বরশিং অসি রেজিষ্টর বোদি অসিবু রিফোর্ম তৌবা হায়নসু য়ানরে। মসিগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা মেম্বর ওইনিংবশিং অমদি য়েৎনিংবা খুদিংমক্না লাক্লিবা তাং ১৫/১০/২০২০ ইং ফাওবগী মনুংদগী ৱাকৎলক্তুবদি মখা-তাবা ৱাকৎ লৌজরোই।

খঙহঞ্জরিবা :-
**Th. Chaoba Singh,** Chairman
KKTN/Khoijuman Khunou Co-op. Society Ltd.
HL-B/6451/12

**লূপকী মিং ওঞ্জরে**

"AAPAHOU HUEIMEIYOL HUEIPHA HUEITHABA LUP" (AHHHL), Keirenphabi, Bishnupur District, Manipur অসিগী মমিং অসি খুদোংচাদবদগী হৌখিবা চৈচৎ ০৪/১০/২০২০, লূপ অসিগী general body meeting resolution no. 01 dt. 04-10-2020, অসিদগী "HUNG SIDABA LAININGKOL" হায়না ওন্থোকচরে। হায়রিবা নৌনা মমিং ওন্থোকচরিবা লূপ অসিগী ওফিসকী লৈফম অমদি অতে অহোংবা অমত্তা লৈজদে। হায়রিবা নৌনা শেমজরিবা বোদি অসিগী থবক থৌওংদি "TRUST BODY" ওইনা তৌজগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মসিগী মখা তাবা অহোংবা অমত্তা লৈজদে।

Sd/- **Oinam Pulemba Khuman**
Secretary General
HL-P/7721/12

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE PRINCIPAL,**
**MANIPUR COLLEGE, IMPHAL**

**CORRIGENDUM OF ADMISSION NOTICE**
Imphal, the 10th Oct., 2020

No. I-Adm/MC/2020: In the earlier notice of even no dated 09-10-2020 the last line "It is also further notified that if any vacancy after second counseling arises the third counseling will be sheduled on 14 and 15 October (from 10.00 a.m. to 3.00 p.m.) ***should read as*** "It is also further notified that if any vacancy after second counseling arises The third counseling will be scheduled on 14 October 2020 (from 10.00 a.m. to 3.00 p.m).

Sd/- **Dr. W. Shambhunath Singh,**
Principal
HL-P/7719/12

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।